**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03.07.2024)**

**পিএমঃ** রাজ্য সভাগী ঙসি অরোইবা মীফমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মনিপুরদা লৈরিবা ইরাংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখ্রে। সংসদকী সভা অনিগী মীফমদা মনিপুরগী মতাংদা বিরোধি দলনা অকনবা ইরাং হৌদুনা মীফম কয়া য়ৈথোকখ্রবা মতুংদা প্রধান মন্ত্রিনা সরকারনা মনিপুরদা শান্তি হনজিলহল্লকবা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখিবনি।

রাস্ত্রপতিনা পীখিবা ৱারোলগী মোসন ওফ থেঙ্কস খন্নবগী পাউখুম পীরদুনা রাজ্য সভাদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরদা হৌজিক হিংশাগী থবক থৌরমশিং হন্থরকপগা লোয়ননা শান্তি তপা তপা লাক্লি। মরক অসিদা, রাজ্য অমদি কেন্দ্র সরকারনা মরি লৈনবা পুমমক্কা ৱারী শান্নদুনা থুনা শান্তি হনজিলহল্লকবসু হোৎনরি। মসিদা মীয়ামগী মতেং তঙাইফদে।

মনিপুরদা হিংশাগী থৌওংশিং লাকশিন্নবা হোৎনরিবা অসিগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-হৌজিক ফাওবদা রাজ্য অসিদা হিংশাগী থৌদোক্কা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা এফ.আই.আর. লিশিং ১১ হেন্না লৌখৎখ্রে। মসিগা লোয়ননা হিংশাগী থবক থৌরমশিংদা চেন্নবনি হায়না চিংনবা মীওই ৫০০ হেন্না পুলিসনা ফাগৎলে।

প্রধান মন্ত্রিনা মনিপুরদা শান্তি তপা হনজিল্লকপগী ৱাফম অসি ফোংদোকপগা লোয়ননা মনিপুরদা লৈরিবা মহৈ লোইশঙশিং অমদি ওফিসশিং হাংদুনা মহৌশাগুম মথৌ তৌরি। লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোক বগুম মনিপুরদসু একাডমীক কেরিয়র মাঙদনবা পরিক্ষাশিং অদুম্মক পাঙথোক্লি। মরক অসিদা, ইরাং অসিদা য়াওরিবা কাংলুপ অনিমক ৱারী শান্নবা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা হোৎনরি। শ্রী মোদিনা হায়-গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ

অমসুং গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-নিত্যইনন্দ রাই মনিপুরদা মতম কুইনা লৈদুনা কাংলুপ অনি অসি অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হোৎনখি হায়নসু ফোংদোকখি।

শ্রী মোদিনা হায়-রাজনিতিগী খেৎনবা থমদনা মনিপুরদা লৈরিবা ইরাং অসি লোয়শিনদুনা অথুবা মতমদা শান্তি পুরকবা হোৎনবা হায়বসি পুমমক্কী থৌদাং লৈফম থোকই। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা মনিপুরদা হৌজিক চাল্লিবা মৈ অসিদা ঘি হৈজিনবগী থবক চত্থরিবা অসি লেপ্তুবা তারবদি হায়রিবা মীওইশিং অদু মতম অমদা মীয়ামনা ইন্থোরকপা য়াই।

মহাকা হায়-হৌজিক ওইরিবা অসিগুম্বা ফিভম ইং কুমজা ১৯৯৩ দসু থোকখি অমদি অদুগুম্বা ফিভম অদু চহি মঙা হেন্না লৈখি। মরম অদুনা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা য়ামা কুপা খন্ন-নৈনবগা লোয়ননা মরি লৈনবা পুমমক্তা শান্তিগী ৱারী শাবগী তঙাইফদবা অসি লৈবনি। বিরোধি দল-কংগ্রেসনা মনিপুরগী ইরাংগী মতাংদা কেন্দ্র সরকারবু হুনববু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুন শ্রী মোদিনা হায়-কংগ্রেসনা সরকার পায়রিঙৈ মতমদা মনিপুরদা রাস্ত্রপতি সাসন ১০ রক থমখি। অদুমওইনমক, মহাক্কী সরকারগী মতমদদি অসিগুম্বা ফিভম ওইখিদে।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-শেঙ্গা থুমজা তৌবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎননবা সরকার অসিনা মরী লৈনবা এজেন্সিশিংদা নীংখা তমা থিজিহল্লি। অসিগুম্বা থিজিনবা অসিদা সরকার অসিনা কৈদৌনুংদা অয়েৎপা পীরোই। লৈবাক অসিদগী শেঙ্গা থুমজাগী থবক থৌরমশিং মুথৎননবা মহাক্কী সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি অমদি আইন অমত্তনা শেঙ্গা থুমজা তৌবা মীওইবু কনবা ঙমলোই।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-পি.এম. কিষান সমান য়োজনাগী মখাদা লৈবাক অসিগী লৌমী কোতি ১০ হেনবদা লুপা কোতি লাখ ৩ হেন্না পীখ্রে। প্রধান মন্ত্রিনা রাজ্য সভাদা ৱা ঙাংলিঙৈদা বিরোধি দলশিংনা সভাদগী মপান থোকখি।

**বিজেপি (এল)ঃ** বি.জে.পিনা হায়রি-মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসি লোয়শিনবদা মতেং ওইগদবা মীয়ামগী মোতশিং পীবগী তঙাইফদবা লৈ।

ইম্ফালগী নিত্যপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী মচিন চৎপা মীশক-এলাংবম জোন্সননা হায়-হৌজিক্কী ওইরিবা ফিভম অসিদা অমনা অমবু হুন্নবগী মতম নত্তে। মসি মীয়াম পুন্না অমত্তা ওইনা রাজনিতিগী খেৎনবা থাদোকদুনা থেংনবা মতমনি।

মহাকা হায়-হৌজিক ওইরিবা ইরাং অসিনা রাজ্য অসিগী দেমোগ্রাফিদা চাউনা শিংনবা অমা ওইরক্লি। ঙরাং সংসদতা লোক সভ সদস্য অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মনিপুরগী মতাংদা ফোংদোকখিবা অদু থাগৎনিংঙাইনি। অদুমওইনমক, ইরাং অসি লোয়শিন্নবা করি উপায় তৌগনি হায়বা ৱাফম অমদি মীয়ামনা পামরিবা সু লৌথোকপগী ৱাফম য়াওরল্লবদি হেন্না নুংঙাইগদবনি।

**রাজ্যপাল(এল)ঃ** মালেমগী ওইনা প্লাষ্টিক বেগ শিজিন্নদবা নুমিৎকা মরী লৈননা রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেনা লুবা-নানবা অমদি অশঙ অমাংতনা থল্লবা লমদম অমা ওইহন্নবা ঐখোয় পুন্না হোৎনমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা প্লাষ্টিক বেগ শিজিন্নবগী চাং হন্থহনবনা ঐখোয়গী অকোইবগী ফিভম কনবা ঙমগনি। অহোংবা অসি পুরকবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমকা থৌদাং লৌমীন্নসি হায়না রাজ্যপালনা আপিল তৌরি।

**নোং (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা শিংজমৈ অমদি মসিগী অকোইবগী মফমশিংদা ঙসি হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ঈচাওনা শোকহল্লবা ইমুংশিংদা তেংবাং পীবা অমসুং থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থিংননবা শেম শাবা লোয়রে। এন.দি.আর.এফকী টিম অনি য়াওনা খুঞ্জাশিং, সেন্ত্রেল পুলিস ফোর্স, ষ্টেট পুলিস, ফয়ার ব্রিগেদ অমসুং আই.আর.বিগী

অপুনবা কাংবুশিংনা মী কনবা অমসুং ঈচাওনা শোকহল্লবা ইমুংশিং তেংবাং পীবগী থবক চখুরি। থৌরম অদুদা এল.দি.এগী চেয়ারমেন-অশ্বিনি মোইরাংথেমসু শরুক য়াখি।

সেনাপতি জিলাদা ঈচাওগা মরী লৈননা মীওই অনি লৈখিদবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি।

ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাইগা লোয়ননা শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল এরিয়াদা ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিং য়েংশিনখি। ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা মফম অদুগী খুঞ্জাশিং অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা অমদি মতুং তারকপদা ঈশিং ঈচাও থোরকপা মতমদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা থবক লৌখৎনবা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

অমরোমদা, মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা মনিপুরগী মফম কয়াদা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুগনি। মথংগী নুমিৎ নিনিদসু মখা তানা অকনবা নোং চুখিগনি হায়রি।

**কন্ট্রোলরুম (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাও অসিগা মরী লৈননা মী কনবা, তেংবাং পীবা অমদি মতম খরগী ওইনা চংজফম পীবগী থবক থৌরমশিংগা মরী লৈননা কনাগুম্বা মীওইশিংনা তঙাইফদবা লৈরবদি সরকারনা হাংদোক্লিবা কন্ট্রোল রুমগী নম্বর- 92335-22822, 94852-80419, 0385-2440028 অমদি 69095-25816 তা ফোন তৌরক্তুনা পাউ ফাওনবা য়াগনি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা কন্ট্রোল রুমগী মোবাইল নম্বর-70853-68633 দা পাউ ফাওবা য়াগনি হায়রি।

**হেলথ (এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ঈশিং ঈচাওগী ফিভম অসিগী য়েংলগা রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেসনা অখন্নবা এম্বুলেন্সশিং অমদি এন্টি স্নেক ভেনমগী খুদোংচাবশিং পীরি।

হেলথ সাভির্সেসকী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা এম্বুলেন্স অহুম অহুম খাত্তুনা থমলে অমদি এন্টি স্নেগ ভেনমগী খুদোংচাবশিং অসিনা ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা সি.এম.ও. ওফিস, জেনিমস অমদি অতৈ পি.ঐচ.সিশিংদা খুদোংচাবা অসি পীরি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা সি.এম.ও. ওফিস, রিমস অমদি সরকারগী হেলথ সেন্টরশিংদগী খুদোংচাবা অসি লৌবা য়াগনি।

**রেড(এল)ঃ** ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-ইম্ফাল ইষ্ট ব্রান্সনা পৌরাবি অমদি নুঙ্গোই অৱাং লৈকাইগী ঈচাওনা শোকহল্লবা ইমুংশিংদা অনা লায়েংগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

**য়ুএনএলএফ (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী খাঙবোক্তগী থোকচোম ইবোমচা কৌবা মীওই অমা লৈখিদবা নোংমৈ কাপ্তুনা হাৎপা নত্তে। মহাক মশাগী অনাবা-বি.পি. স্তোক তৌরগা লৈখিদবনি হায়না আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ য়ু.এন.এল.এফ. (কোইরেং) গী মায়কৈদগী শেংদোরক্লি।

লুপ অসিগী সেন্ত্রেল কমিতিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা লুপ অসিনা দায়ত্ব লৌদুনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথখিগনি। চেন্নবশিং চৈরাক পীনবা থবক পায়খৎকনি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** পি.আই. বি. ইম্ফালগী রিজনেল ওফিসনা পাউমীশিংদা অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুমগী মতাংদা ভাব তাহন্নবা নোংমগী ওইবা মেদিয়া ৱার্কশোপ অমা মনিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা, পাউমী ৫০

রোমা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এদিটরস গীল্ড মনিপুরগী পসিদেন্ট-খোগেন্দ্র খোমদ্রাম, ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) গী প্রসিদেন্ট-বিজয় ককচিংতাবম শরুক য়াখি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** খোঙনাংথাবা য়ুনিভরসিতিনা শিনদুনা নুমিৎ তরেৎনি চথুরকপা ত্রেন্নরশিংগী ওইবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি য়ুনিভরসিতি অসিগী ওদিটোরিয়েমদা হৌদোকখ্রে।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি ওন লাইন অমসুং ওফ লাইনগী খুত্থাংদা পাঙথোক্কনি। ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম মনুংদা রাজ্যশ্রী কলেজ ওফ এদুকেসন এন্ন স্কিলস, ত্রিপুরা অমসুং বিয়ার ফুট্টর স্কুল ফাউন্দেসন-পুনেগী মরক্তা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরটিন্দিং তৌনদুনা শিক্ষা, ত্রেন্নিং, রিছার্সনচিংবা হীরম কয়াদা তেংবাং পীনরি।

**ককচিং (এল)ঃ** ৭৫ শুবা বনমহোতসবকা মরী লৈননা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মখাদা ককচিং রেঞ্জনা শিনদুনা ৱাইখোম পোমথাপোকপী মনাক্তা লৈবা হয়েলপোকপী চিংশাং অমদি ৱাইখোং হাস্কুল গ্রাউন্দদা উ থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। উ থাবগী থৌরম অদুদা জিলা অসিগী ফোরেষ্ট বিভাগকী ওফিসারশিং অমদি ক্লব, মৈরা পায়বীগী মীওইশিং শরুক য়াখি।

**সোরেনঃ** চহি অসিগী জানুৱারী থাদা মণি লোন্দরি কেসকা মরী লৈননা জেলদা লৈরুরবা ঝরখন্দ মুফতি মোর্চা (জে.এম.এম) গী লুচিংবা হিমন্ত সোরেন অমুক হন্না ঝরখন্দগী মুখ্য মন্ত্রি ওইরবা য়ানা লৈরে।

শ্রী সোরেনবু নৌনা মুখ্য মন্ত্রি হাপবগী ৱারেপ অসি রাঞ্চিদা ঙসি পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া এল্লাইয়েন্সকী মীফমনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মীফম অদুদা জে.এম.এম, কংগ্রেস অমদি আর.জে.দিগী সদস্যশিংনা শরুক য়াখি।

নীংশিংবা য়াই, শ্রী সোরেন থা মঙা জেলদা লৈরুবা মতুং মমাং থাগী ২৮ দা থাদোরকখিবনি।

**সংসদঃ** মমাং থাগী ২৪ দগী চথ্থরকখিবা সংসদকী মীফম ঙসি লোয়শিনখ্রে। লোক সভাগী মীফমদি ঙরাং লোয়শিনখিবনি।

থা অসিগী ২৭ তগী হৌখিবা রাজ্য সভাগী মীফম ঙসি সংসদতা রাস্ত্রপতিগী ভাষনগী মোসন ওফ থেঙ্কসকী পাউখুম প্রধান মন্ত্রিনা পীরবা মতুংদা মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, ১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফম অসিদা নৌনা কারক্লবা এম.পিশিংবু ৱাশক লৌবা, অধক্ষ্যগী মীখল পাঙথোকপা, রাস্পতিগী ভাষন অমদি মসিগী থাগৎ ৱারোল ফোংদোকপা মীফম অসিগী মরুওইবা এজেন্দা ওইখি।

**কেবিনেটঃ** কেন্দ্র সরকারগী তোঙান তোঙানবা কেবিনেট কমিতিশিংগী থৌ পুগদবা মীওইশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

ঙসি লাউথোকখিবা কেবিনেট কমিতিশিং অদুদি-ইমপোইন্টমেন্ট কমিতি ওফ দা কেবিনেট, কেবিনেট কমিতি ওন একোমোদেসন, কেবিনেট কমিতি ওন ইকোনোমিক এফিয়ার্র, কেবিনেট কমিতি ওন পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স, কেবিনেট কমিতি ওন পোলিটিকেল এফিয়ার্স, কেবিনেট কমিতি ওন সেক্যুরিতি, কেবিনেট কমিতি ওন ইনভেষ্টমেন্ট গ্রোথ অমসুং কেবিনেট কমিতি ওন স্কিল ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ লাইফলিহুদনি।

**নেৎশিন্নবাঃ** উত্তর প্রদেসকী হরথরসতা লৈবা ভোলে বাবাগী লাইশোল থৌরম অমদা নেৎশিন্নবগী থৌদোক্তা মীওই ১২১ লৈখিদ্রে, মীওই কয়ানা অশোক অপন নংলে।

হরথরস গভরমেন্ট হোস্পিতালদা লায়েংলিবশিংবু মুখ্য মন্ত্রি-যোগী অদিত্যনাথনা ঙসি হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। মদুগী তুংদা, চীফ সেক্রেটরিগা থৌদোক অসিগী মতাংদা মীফম পাঙথোক্কুনা খন্নখ্রে।

তুংদা, পাউমীশিংগা উন্নবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-থৌদোক অসিগী মতাংদা থবক্তগী পোত্থারবা হায় কোর্টকী জজ অমনা থিজিলহল্লগনি।

**অসামঃ** অসামদা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম লুশিল্লক্লি। লৌফম হেক্তর লিশিং ৪২ হেন্না অমাং অতা থোকপগা লোয়ননা খুল লিশিং ২ রোম ঈশিং থুমজিনখ্রে। রাজ্য অসিগী জিলা ২৮ গী মীওই লাখ ১১ রোম ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরি। ব্রহ্মপুত্র, বরাক অমদি মসিগী তুরেল মশাশিং খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লে। লম্বী ৭৪ ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। সরকারনা রিলিফ কেম্প ১৪০ হাংদোক্লে। হৌখিবা পুং ২৪ দা ঈচাউনা মরম ওইদুনা মীওই অহুম অমসু শিখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা শিখিবা মীওই মশিং ৩৮ য়ৌরে। মীওই অমা থিবা খঙদ্রি।

মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা মন্ত্রি-এম.এল.এশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিংদা চত্তুনা মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী পায়খৎলিবা থবকশিং য়েংশিন্নবা খঙহনখ্রে।

লেপ্পা লৈতনা চুরকপা নোংনা মরম ওইদুনা অরুনাচল প্রদেশতসু মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীরে। তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লৈবাক নিংখায়বা অমসুং ঈচাউ থোকপগী থৌদোকশিং থোকপদগী মীয়ামা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে।

**সেপাক তাক্রৌ (এল)ঃ** ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা লৈবা সাই এস.টি.সি ইন্ডোর হোলদা ঙরাংদগী হৌখিবা ওল ইন্দিয়া ইন্তর সাই সেপাক তাক্রৌ তুরনামেন্ট ২০২৪ গী ঙসিগী মেটচশিংদা-জ়নিয়ার গালস রেগু ইভেন্টতা সাই এস.টি.সি. ইম্ফালনা ৱিন্নর ওইরে। জ়নিয়ার বোইজ রেগু ইভেন্টসু সাই এস.টি.সি.

ইম্ফালনা লৌরে।

নুপাগী দবলস ইভেন্টতা সাই এস.টি.সি. ইম্ফালনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

**রেসলিং (এল)ঃ** উত্তরাখন্দগী উধমনাগরদা থা অসিগী মঙা অমসুং তরেৎতা পাঙথোক্কদবা অন্দর সভেন্টিন ফ্রি স্তাইল, রেকোরোমান স্তাইল অমসুং নুপীগী নেসনেল রেসলিং চেম্পিয়নসিপ্তা মনিপুরগী রেস্লর ১৬ না শরুক য়াগনি।

**রেসলিং(এল)ঃ** রেসলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শিনদুনা য়ুনাইটেদ ৱার্ল্ড রেসলিং লেবেল ৱান কোচশিংগী ওইবা কোর্স অমা জলাই অমদি আগষ্ট থাদা পাঙথোক্কনি। শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা মনিপুর রেসলিং এসোসিয়েসনদা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা এপ্লিকেসন পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।